নিপানলক শুবা এম এন সী এ দল্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দল্লিয়ু রমানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪

চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লি, সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং রুল মৈত্রম মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌদোকখিবা ৮লক শুবা এম এন সী এ দল্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ দল্লিয়ু রমানন্দ ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা চেম্প ক্রিকেট ক্লব খাগেমপল্লিনা মোদেল শীংজমৈ চীংঙামখা, সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ট্রাও ক্বাকৈথেল অদুগা রুল মৈত্রমনা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ পেলেস কম্পাউন্দ মায়থীবা পীখ্রে।

পল্লিক গ্রাউন্দ খাঙবোক পার্ট-৩ চেরাপুরদা চেম্প অমসুং মোদেলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস মোদেলনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা চেম্পনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। চেম্পনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেনশিংনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথুরকখিবা এটেকশিং হৈন-শিংনা মায়োক য়াবা ঙমখিবদগী ওভর ৪৫ লোইবদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২২৫ লৌবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন এম দি সুল্টান করিমনা বোল ৬৩দা রন ৭০ অদুগা নরসিং য়াদবনা বোল ৫৮দা রন ৫৬ লৌরমখি।

মোদেলনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংনা চথুরকখিবা এটেক মপূং ফানা মায়োক য়াবা ঙমখিদবদগী ওভর ৩৭.৪ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৪৩দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু চেম্পনা রন ৮২দা মায় পাকখিবনি।

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ট্রাও অমসুং সাইক্লোনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ট্রাওনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা ট্রাওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওভর ২১ শুরকপদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৪৫ লৌবা ঙমখি।

সাইক্লোননা টার্গেট রন ১৪৬ লৌবা ঙম্নবগীদমক বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ১৯ শুরকপদা ৱিকেট ৪ খক তুরগা টার্গেট রন হেন্দোক্তুনা পূন্না রন ১৪৭ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৬তা মায় পাকখিবনি।

অমরোমদা, লাইরেঞ্জম পল্লিক গ্রাউন্দদা রুল অমসুং ঈ এস য়ুগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ঈ এস য়ুনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা রুলনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। রুলনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা চবুংবম ঈশ্বরজিৎ অমসুং সঞ্জেনবম সুরেশনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। মখোয় অনীনা হৈন-শিংনা হোৎনদুনা টিমগী রন মশীং য়ামখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংলমখি। ঈশ্বরজিৎনা বোল ৩১ মায়োক্লবদা রন ৩১ অদুগা সুরেশনা বোল ৫৬তা রন ২৮ লৌরমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন সোমোকান্তনা বোল ৫৬তা রন ৫৯ অদুগা রাকেশনা বোল ৪৯দা রন ৩৫ লৌরমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা ওভর ৪৫ লোইবদা ৱিকেট ৯ তুরগা রুলনা রন ২২৮ লৌবা ঙমখি।

ঈ এস য়ুনা টার্গেট রন লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ৪১.২ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ১৬৪দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু রুলনা রন ৬৪দা মায় পাকখিবনি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯰ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 144/AS&SO-X Dt. 19/3/2024

R.K. Tikendrajit Singh, S/o Late Amusana Singh of Luwangsangbam Mayai Leikai.
- Petitioner

-Vrs-

Late R.K. Amusana Singh, S/o Late Sanahal Rajkumar of Luwangsangbam.
-O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Imphal, 20/3/2024

Under Section 46 (3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 1-Luwangsangbam পাট্টা নং. … অরিবা 337 অনৌবা দাগ নং. 1494 এরিয়া .315 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. R.K. Amusana Singh, S/o Late Sanahal Rajkumar of Luwangsangbam মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 28/3/2024 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X
Manipur

HL-P/10152/21

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, DSLR, MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 142/AS&SO-X Dt. 19/3/2024

1. Ningthoujam Rajen Singh, S/o (L) Madhumangol Singh of Khangabok Part-III Tangkha Leikai.
2. N. Kumar Singh, S/o (L) -do- of -do-
3. N. Brojen Singh, S/o (L) -do- of -do-
4. N. Sapana Devi, D/o Rajen Singh of -do-
5. Khundrakpam Thaba Devi, W/o Kh. Sunil Singh of Khangabok Mayai Leikai.

- Applicants

-Vrs-

(Late) Ningthoujam Madhumangol Singh, S/o (L) Angada Singh of Khangabok.
-O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dated, 20/3/2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক, পাট্টা নম্বর ৩৩/২৬৮৪ (অরিবা) ১২৬৯ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৩৬৬৩, এরিয়া .১২২৫ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারিশিং নং ১) নিংথৌজম রাজেন সিংহ, ২) ঐ কুমার সিংহ, ৩) ঐ ব্রোজেন সিংহ, ৪) ঐ সাপানা দেবী, ৫) খুন্দ্রাকপম থবা দেবীদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুরগনি।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X
DSLR, Manipur

HL-P/10153/21

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-XI, IMPHAL WEST, MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 38/AS&SO-XI Dt. 20/3/2024

1) Yengkhom Ahanbi Devi, D/o (L) Y. Raton Singh of Khurai Soibam Leikai.
2) Yengkhom Bala Devi, D/o (L) -do- of -do-
3) Yengkhom Memi Devi, D/o (L) -do- of -do-
4) Yengkhom Chaoba Devi, D/o (L) -do- of -do-
5) Yengkhom Loidang Devi, D/o (L) -do- of -do-
6) Yengkhom Rani Devi, D/o (L) -do- of -do-

-Vs-

Late Yengkhom Raton Singh, S/o (L) Shyamo Singh of Khurai Soibam Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Imphal, 20/3/2024

Under Section 46 (3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 25-Soibam Leikai পাট্টা নং. 225 অরিবা 550 অনৌবা দাগ নং. 1100, 1100/1367 এরিয়া .08 acre + .08 acre = .16 acre চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং. Yengkhom Raton Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 28/3/2024 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-XI
Imphal West, Manipur

HL-P/10003/21

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, DSLR, MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 143/AS&SO-X Dt. 19/3/2024

Ningthoujam Ranjit Singh, S/o (L) N. Angou Singh of Khangabok Cherapur Mamang Leikai.
- Applicant

-Vrs-

(Late) Ningthoujam Angou Singh, S/o (L) Gulap Singh of Khangabok Cherapur.
-O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dated, 20/3/2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক, পাট্টা নম্বর ৩৩/২২৫৯ (অরিবা) ১৩০১ (অনৌবা) দাগ নম্বর ২১৩৯, এরিয়া .৩১২৫ হেক্টর চাওবা তাওথবী অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি নিংথৌজম রনজিৎ সিংহদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথুরগনি।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X
DSLR, Manipur

HL-P/10153/21

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-XI, MANIPUR

Ref :- Rev. Misc Case No. 24/AS&SO-XI Dt. 20/3/2024

Yengkhom Ahanbi Devi, D/o (L) Yengkhom Raton Singh of Khurai Soibam Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Imphal, 20/3/2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নর অসিগী খুল নং ২৫-সোইবম লৈকাই, পাট্টা নং. 107/Angs (Old), 299/971 (New) দাগ নং 1125/1530 এরিয়া .092 acre চাওবা ইঙ্খোল অসি শ্রী Yengkhom Raton Singh, S/o Shyamo Singh of Khurai Soibam Leikai অসিদা লৈবা মিং অসি ওফিসকী রেকোর্দতা ১৯৯৭কী মৈ চাকপদগী য়াওরমদ্রে মরম অদুনা ইঙ্খোল মমিং পানখৎপদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নুমিৎ অসিদগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) (তাং 28/3/24 ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীরগদবনি মতুংদা লাকপা আপীল কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-XI
Manipur

HL-P/10003/21

মণিপুর ফেন্সিং টিম ইম্ফাল এয়রপোর্ট থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ২৫দগী হৌরগা ২৮ ফাওবা অন্ধ্র প্রদেশকী রাজ মহেন্দ্রভরমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৫রক শুবা সব-জুনিয়র নেসনল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী ফেন্সরশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগী ফোইলদা শরুক য়াগদৌরিবা লময়ানবা কোন্সম, এ হেম্বোইসনা, তমঙানবা তোইজম, সৈত্যরাজ মৈস্নাম; ইপিদা শরুক য়াগদৌরিবা পুয়াম অর্জুন, টি কদম্বা মঙাং, এল দিপু খুমন, টি ঐচ জেসিওন মৈতৈ, সেবরদা শরুক য়াগদৌরিবা টি ঐচ কেশ্বরজিৎ, মঙাংবা, কে জেরিফুল মৈতৈ, লনচেনবা মৈতৈ, নুপীগীদা য়াওরিবশিংনা ফোইলদা রসিনা নাওরেম, এন জি মেরিনা, এলিশ মোইরাংথেম, থোইসনা হিজম; ইপিগীদা পিয়াঙল্বী নাওরোইবম, মিনর্ভা য়ুম্নাম, জি কেনিয়া, ঐচ ভুমিকা; সেবরগীদা এ ফ্লোরিনা, পায়ল নিংঙোম্বম, ঐচ নিরুপামা চনু অমসুং কে য়াইফরেম্বীনি। ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট থাদোকখ্রবা মণিপুর ফেন্সিং টিমগী মেনেজরনা এল শামাশখিনা ওইরি। অদুগা কোচ ওইনা ইপিগীদা এস জয়ন্তা অদুগা সেবরগীদা এন চিংশোম্বা য়াওরি।

পনবা য়াবদি, মণিপুর ষ্টেট ফেন্সিং টিম অসি থা অসিগী ২২দা ইম্ফাল থাদোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু মতম খরা খুয়ৌনগদবনা মরম ওইরগা ষ্টেট ফেন্সিং টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখিবনি। থা অসিগী ৩০দা ষ্টেট ফেন্সিং টিম অমুক হল্লক্কদবনি।

অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৫-এ সাইদ মিনি বোইজ টুর্নামেন্ট

হয়েং সী কে সী (এ) অমসুং সনরাইজ ক্লব ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২০ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ৬তগী হৌরগা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ জে এস এ)না শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা চথুরিবা অহানবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৫-এ সাইদ মিনি বোইজ অন্দর-১৩ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচশিংদা সী কে সী (এ) চীংদোং লৈকাই অমদি সনরাইজ ক্লব কদমটালা মায় পাকপা ঙমদুনা ফাইনেল চঙখ্রে। ফাইনেল থা অসিগী ২২গী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমীফাইনেল মেটচ ওইনা সী কে সী (এ) অমসুং ওরিয়েন্টেল ক্লব বাবুপারাগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা সী কে সী (এ)না বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু সী কে সী (এ)না পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

সী কে সী (এ)গী পাঞ্জলশিং অদু এম দি সোহেল অহমদ, এম দি অব্দুল ৱাহিদ, এম দি সোহিদ অহমদ অমসুং কে য়াইফবনা চনখিবনি। অদুগা ওরিয়েন্টেল ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা হানিফ অহমদনা চনখিবনি।

অনীশুবা সেমীফাইনেল মেটচ ওইনা অনন্দমোয়ে জিরিঘাট অমসুং সনরাইজ ক্লব কদমটালাগী মরক্তা শান্নখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমমম্ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। মদুগী মতুং রেফরিনা পেনাল্টি কাওননবা খঙহনখি। টিম অনীগী মরক্তা পেনাল্টি কাওনখিবা অদুদা সনরাইজ ক্লবকী ওইনা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুগা অনন্দমোয়েগী ওইনদি পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী মেটচ অদু সনরাইজ ক্লবনা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাক্তুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

(মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

‘মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম’

মীতৈ ফুরুপকীদমক, ইমা লৈবাক্কীদমক

(৪৭৬)

কুকি জো নার্কো মিলিটেন্টশিংনা জো কন্ট্রি অমগী মঙ মঙলি। বাংলাদেশ, ম্যান্মার অমদি ইন্দিয়াদগী লম মচেৎ-মচেৎ ফল্লগা মখোয়গী তোঙানবা হোমলেন্দ অমগী মঙ মঙলিবনি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর বিরেনসু মণিপুর কায়হন্দনা, ঈং-তপ্পা হান্নগী তংদু লৈতাবা ষ্টেট অমা অমুক ওইহল্লক্নবা মঙ মঙলি, হোৎনরি। মঙ হায়বসিদি মঙনি। মঙদা থাজবা থল্লুরবদি অপঙনি হায়নগনি। য়াম্না সিরিয়স ওইবা থৌদোক অমবু করিসু লৈতনা খনবা ঙম্বা মণিপুরগী সী এম, মহাকপু রিমোট পায়দুনা কন্ট্রোল তৌরিবা পি এম, হোম মিনিষ্টর মথৌ মশক খঙদবা লুচিংবনি হায়দবা য়ারোই। মী মশীং খঙদনা শিরবা, য়ুম মশীং খঙদনা মৈ থারিবা, শিখ্রে-চঙলি মফম খঙদনা ঙসি ফাওবা মৱা মপাউ তাখিদ্রবা কয়া অসিবু নাচুংদনা কুকিশিংনা মীতৈদা অতম্লনা নোংমৈ বোম শীজিন্নদুনা লান তারক্লে খঙনা-খঙনা শাংলবা থা ১১ রোমসি তৌফম থোকপা মথৌ তৌদুনা লান খামদ্রিবা অসি মীতৈনা ৱারৌদবা ঙল্লোই। মীতৈনা করি খল্লমগনি খঙনা পোলিটিক্স তৌ। অফ-ফত্তা পূম্বা লৈঙাক্লা খন্থরগা চেকশিঞ্জবা তাবনি। শারিঙৈদা য়ৈহৌ হায়বা মীতৈ পাউরৌ-মীতৈনা খক কাউদে। লমন খুন্নকখিনি কুকিদা, সেন্ট্রেল লৈঙাক্তা, করম্বা লমন- চেঙ পুরগা চেঙ শিং, ফৌ পুরগা ফৌ শিং। উশীৎমন্দবা নমথবীবা কা-হেনমনখ্রে। মীতৈনা করি লান্দুনা কুকি খরা নেল্লগা মীতৈ তুম্না হাৎনবা লান্দাহল্লিবনো। অদুঙৈ বর্ম্মদা কবো ভেলি পীথোকখি, মণিপুরবু নমদুনা ইন্দিয়াদা মর্জ তৌহনখি, অফস্পা থমজিন্দুনা মণিপুর কাং-খোং চাইহনখি। পেন্দ্রবসু পূম্নমক ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনদা থাজবা থমদুনা ইন্দিয়ন অমা ওইনা, মণিপুরী অমা ওইনা খা চিক্তুনা খাঙলকখিবা-লেভেল ৱাৎলি হায়দুনা হেন্না-হেন্না কনবা মীওৎ-মীনৈ মথং-মথং চথুরল্লিবা অসি মণিপুরী অমা ওইজরিবা মীতৈ, ইন্দিয়ন সিটিজন নত্তে হায়রিব্রা হংনিংলক্লে। অতোপ্পা লৈবাক্তগী লোম্না চঙলকপা খূৎলায় মতিক চানা পায়বা মিলিটেন্টশিংনা ইন্দিয়ন সিটিজন মীতৈবু তুম্না হাৎকদৌরে হায়বদা তাবীনবা লৈতবা হায়বসিমক মীতৈবু ইন্দিয়ন নত্তে হায়বা নৎত্রা হংলোইদবগী মরম লৈতে। শিবা-চঙবা থিদনা লান ঙম্বা ঙমদবা নৎতবীদা মীতৈদি পোল্লকপদগী লাম্নীগী মহৈ য়াওজরকই। মীনা লাকচখিবদা খাঙবা ঙমদে, ইমা লৈবাক্কীনি হায়রদি থৱায়না পোম্থা পীবদা নাচুংনদে হায়বসি ইন্দিয়াদা নৎতনা মালেম পূম্বদা খঙহল্লগনি। কুকিগী লান মীতৈনা হান্নদগী ঙাকথোক্তুনা লাকপগী মথক্তা মীতৈনসু কুকিগী মথক্তা লানগী চৈথেং পীননবা শেম শাখ্রে। য়েক্লবদা ঙক নোনবা হৈতবা বির টিকেন্দ্রজিৎ, থাঙ্গাল জেনরেল, পাওনা বর্জবাশিগী মচা-মশুশিংনি হায়বসি খঙহল্লগনি। কনানা মীতৈ অপূনবগী মায়োক্তা কয়াম কুইনা লেপ্পা ঙম্বগে য়েংনবা তারি। দর্টি পোলিটিক্সতা ওকপী ওল্লবা লৈঙাক লুচিংবশিংসু নখোয়না লেপনিংবা মায়কৈদা লেপচৌ মীতৈদি মীতৈগীদমক মীতৈ লৈবাক্কীদমক মীতৈ ফুরুপকীদমক মীতৈ নুপীগীদমক মীতৈ নোংশাশিংগীদমক হিংখিগে।

অদোমগী - বি সী খুমন,
ইম্ফাল, # ৮৪১৪৮৮১২৮৯

লানবুংসিদা মীয়ামগী রাইট কনাদা শিন্নসিগে

(৪৭৭)

নুংশিজরবা ইরৈচাশিং অমদি ইমা মৈরা পায়বী পূম্নমকপু খুরুমজরি। ইমা লৈবাক্কীদমক থোকপীরল্লিবা কেন্দিদেটশিং হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচৈ। অদুবু মীগী পার্টিদা শৈদাংলুবনা মমাংথক্তগী ঙসি ফাওবা ৱাদনতা লাকখিবনি। ঙসিদি ঐখোয়গী ঙকশমদা থাঙনা লেন্দুনা হাৎতোকপীরি। ইমা ময়ামদা চৈনা কনখিবা, বোম তোপ কাপশিনখিবা, মহৈরোয়শিং তমথীনা ফৃবীখিবা করম্না কাউগনি থম্মোয়সিনা। ঐখোয় পূম্নমক থম্মোয় পাল্লি। কুকিনা ঐখোয় মীতৈদা য়েক্লবগুম অতম্লনা নোংমৈ বোম কাপথরকখিবা কনানা কাপহল্লিবনো? মুন্না ৱাখল খন্থবীয়ু। নেসনল পার্টিনা কুমজা ১৯৪৯দগী ওৎপী-নৈবীবা নীংশিংবীয়ু। নেসনল পার্টিনা ইচা কয়া লমখাংদা হাৎখ্রবগে? ইমা লৈবাকসি মরূ ফংনা মুখৎনবা মতম শাংনা লাল্লোং কয়া নেসনল পার্টিনা য়ুম্ফম থোনবা হৌখ্রবনি। মীতৈ মুখৎপনা মখোয়গী পান্দমনি কাউবীগনু ইরৈচাশিং। হন্দক্কী লোক সভা মীখল অসিদি য়াম্না লুবা তাঙ্কক অমনি হায়না থমজগে। লৈবাক অমা পানবা হায়বসি ইমুং অমা পানবগা চপ মান্নে। য়েংমিন্নসি ইমুং অমদা অহল-লমন, ইচা-ইনাওদগী চিংনা অপীকপা ইশু শুথাং ফাওবা পরিং নাইনা হিংমিন্নরি। মীতৈগী চৎনবীগী মতুংইন্না য়ূমগী মাঙ্গোলদা ফমেল ফক অমা নীংথিনা থাদুনা ইমুংগী চৎন-লোনচৎকী ফজরবা শক্তমবু উৎলি। ঐখোয়গী চৎনবীগী ঈদা লূ-তোংদা য়াওখ্রবা মমল য়াল্লবা ফক অসিদা ইমুংগী খ্বাই অহল নুপা নৎতনা ফম্বা য়াদে। লাক্লিবদি অঙাংনা অহল শাবা য়াদে হায়জবনি। অহলগা অঙাংগা করি খেন্নে। ঐখোয়গী ৱাহৈদা অহলশিংনা নুমিৎ থা উবা হাল্লি, পূন্সি খোঙচৎতা অৱা-নুংঙাই কয়া মায়োক্লদুনা লৌশিং কয়ানা য়োমশিল্লিবা অসি লৈখা তানা মাঙথরক্লি। অহলগী মফম ফমেল ফকপু ইকাই খুম্নদ্রবা ইমুং অমদি মীয়াম ঐখোয় থকশি-খাশি ৱাৎপা খুন্নাই অমা ওইরক্লি। হৈ-শিংলবা অঙাংশিংনা ইমুংগী অহল-লমনগী অয়াবা য়াওদনা করিগুম্বা থবক অমা পাঙথোকহৈদে কাউগনু ইচাশা। অঙাংনা য়ুম পানবদি য়ূম্বাল্লোন কায়রবা ইমুং ওই। মীয়াম্না নৈনবীগদবদি থোরল্লিবা কেন্দিদেটশিংগী পার্টি অসি নেসনল পার্টি খক্তা ওইরি। মীখা পোন্না হিংবা লৈবাক অমা ওইনা ঙসিসু হিংখিবা তারব্রা? হন্দক মীয়ামদা হৌরল্লিবা লান অসিনা বি জে পিগী দবল ইঞ্জিন নুংঙাইরনি হরাউখিবনি। কোংগ্রেস মতমদসু অদুম চপ মান্নে দবল ইঞ্জিন ওইখি। অনী অসিনা মণিপুরদা মীওই কয়াগী মোংফম মশীং থীঙমদনা থন্বীবসি নেসনল পার্টিগী মথৌ ওইরি কাউগনু ইরৈচাশা।

অদোমগী - মুতুম শান্তি
সগোলবন্দ মৈনো লৈরক, # ৯৮৬৩৩১০৪৫৯

[illegible]

LABEL A

RECRUITMENT

The deserving candidates are requested to submit their resume on or before 25th March 2024 . Label A is for a coaching Institute of NEET & JEE entrance, label B for faculty posts of a Higher Secondery School, label C for non teaching staff and label D for Marketing section owning two wheeler . For teaching Profession, candidates currently working in a reputed institution are more preferable and more salary is based on experience and teaching satisfaction.

Sl.no	POST NAME	POST NO	QUALIFICATION	EXPERIENCE	PREFERABLE	SALARY
1	MATHEMATICS LECTURER	2	M.Sc Maths	MORE THAN 5 YRS		Best in the Market
2	PHYSICS LECTURER	2	M.Sc Physics			
Label (B)						
1	CHEMISTRY LECTURER	3	M. Sc. CHEMISTRY	More than 2 yrs	Plus B. Ed.	15k to 25k
2	BIOLOGY LECTURER	2	M. Sc. BIOLOGY	More than 2 yrs	PLUS B. ED.	15k to 25k
3	MATHEMATICS LECTURER	3	M. Sc. MATHEMATICS	More than 2 yrs	PLUS B. ED.	15K TO 25K
4	PHYSICS LECTURER	3	M. Sc. PHYSICS	More than 2	PLUS B. ED.	15K TO 25K
5	MANIPURI LECTURER	2	M. A. MANIPURI	More than 2	PLUS B. ED.	15K TO 25K
6	ENGLISH LECTURER	2	M. A ENGLISH	More than 2yrs	PLUS B. ED.	15K TO 25K
7	HISTORY LECTURER	2	M. A. HISTORY	More than 2 yrs	PLUS B. ED.	15K TO 25K
8	POL. Sc. LECTURER	2	M. A. POL. Sc.	More than 2 yrs	PLUS B. ED.	15K TO 25K
9	GEOGRAPHY LECTURER	2	M. A. GEOGRAPHY	More than 2	PLUS B. ED.	15K TO 25K

	LABEL(C) NON TEACHING STAFF	POST NO	SALARY
1	Computer OPERATOR	1F+ 2M	8K—12K
2	OFFICE ASSISTANCE	3F + 2M	7K -10K
3	WARDEN (M+F)	2F + 2M	12K-17K
4	SECURITY (F) + (M)	2F + 2M	7K-10K
	OFFICE CLEANER (F)	3 F	NEGOTIADLE

	LABEL (D))	POST NO	SALARY
1	Marketing Manager (MBA)	2F + 2M	Negotiable
2	Asst. Manager (Graduation)	3F + 3M	Negotiable

For details visit OFFICE of Advanced Coaching Institute (Nagamapal) opposite auto park near RIMS ROAD or ACI Branch of kwakeithel Akham Leikai
WhatSAPP 8787586090 or 7641030857

HL-B/8530/19 Mar. (30 days Alt)